# ‘‘কায়রবা ঋতুগী তান্থা’’

## EPISODE-47

**(India Energy Scenario)**

*Script :*

**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপাঃ- (১) তোলঙৌ - খুনগী লুচিংবা (২) লময়ানবা - ইলেক্ট্রি কেল ইঞ্জিনিয়ার (৩) মৈরাবা- খুনগী পাখঙ

নুপীঃ- (১) মনিশঙ - তোলঙৌগী নুপী
(২) চঙখোনবী - কোলেজ ষ্টুদেন্ট

(মতম:- অয়ুক, মফম:- তোলঙৌগী য়ুম, উচেক ৱায়াগী খোঞ্জেল লাপ্পা তাবা)

মৈরাবা :- (হোবে হোবে চেনলকপা) চঙখোনবী... চঙখোনবী... মাম্মা... মাম্মা তোলঙৌ... ইনে ইনে মনিশঙ ... (কৌবা)... হুম! কনামতা তাদেনে তৌরিসে ঐনদি পাও নুংঙাইবা অমা তমগে হায়দুনা স্বরগা থবেৎ থবেৎ হোনখৈ চেন চেন্দুনা লাক্লি অদুগা কনামতা কৌবগা তাদেনে... হো ইনে (কন্না কৌবা) ... ইনে...।

মনিশঙ :- (চেন্থোরকপা) হায় মৈরাবা কৈনোনে অদুক কন্না কৌরিদুবো, কনা কৈদৌবা য়াওরগেনে, য়ুম মৈ চাকপগা য়াওরবরা হায়ৱানি।

মৈরাবা :- হেরা ইনে, কনাগী য়ুম মৈ চাকপনোদা, নুংঙাইবা পাও অমা তন্বীগে হায়দুনা লাকপনিদা... চঙখোনবীবু কদায়দা লৈগে।

মনিশঙ :- আ মনিঙ ইংখোলদা মরোয় হেকহৌবনি, করি পাওনোনে নঙনা নুংঙাইবা পাও অমা তমগে হায়রিদুবো।

মৈরাবা :- অদুদি ঐ চঙখোনবীগী মনাক্তা চৎলে, পাওসে মঙোন্দা হান্না তল্লুখিগে (চৎখিবা)।

মনিশঙ :- হে ঙাইখোনে মসিবো, নঙগী পাওদু ঐঙোন্দা হান্না তল্লমখো হায়বনিনে, ঙাইখো হায়বনি নঙবো।

তোলঙৌ :- (ইমুংদগী থোরকপা) কৈনো মনিশঙ অয়ুক ঙন্তাসিদা নঙনা কোইরাও লাওরিদুবো।

মনিশঙ :- হো মৈরাবা হায়বা মেন মান তাদবদুনা পাও নুংঙাইবা অমা তমদোইনি হায়দুনা কোইরাং লাংঙরিবা।

তোলঙৌ :- মৈরাবদি কদায়, মাদি লৈবা উদেনা, চৎখ্রবরো মাবো।

মনিশঙ :- হো মাগী পাও নুংঙাইবদো ঐখোয়দা হান্না তম্বা য়াদে নচানুপীদা হান্না তম্লুনি হায়দুনা নচানুপীগী মনাক্তা চঙখিবনি।

তোলঙৌ :- ওন্থোকপা নুপামচানি, ওন্থোক্লসু মঙাও থীখরে, হায় মমা ! খরা ঙাওজরসু পংলাং লাংজরসু মৈরাবসে ঐখোয়না মীরাইবা য়াবা নৎতেকো, মানা ঐখোয়গী ইমুংগী থবক পুম্নমক ফৈগাক ফৈনা তৌবীবদগী ঐনা করিসু নাচুংদনা খুনশিদা ইনিং তৌনা হায়না হুন্না হীংবা ঙল্লিবনিকো।

মনিশঙ :- মোইপাবুংনা হায়বীরিবদু পুম্নমক অচুম্বনি, ইচানুপাসু পোকচদবা ঐখোয়বু মানা ইচানুপা শক্লা য়েংশিনবীরিবনি, ঐখোয়গী অৰা-অনা পুম্নমক্তা মানা ইতেং পাংবীরিবনি।

চঙখোনবী :- (হরাওনা কৌবা) ইমা.... পাবুং.... ঐ ইগজাম পাস তৌরে, বি.এ.সি. ইনভাইরোন্টমেন্টেল সাইন্স ওনর্সকী ইগজামিনেসনগী রিজল্ট খবরসিদা য়াওরিবসে য়েংঙুনে পাবুং।

তোলঙৌ :- কদায় কদায় খবরদু ঐঙোন্দা পীরকও ঐ অমুক্তা য়েংগে।

মৈরাবা :- মান্মা ! তু সিদা য়াওরে য়েংঙুনে, ঐখোয় চঙখোনবীগী মমিংসে থার্দ পোজিসনদা য়াওরে, চঙখোনবীনা অহুমশুবা পোজিসন তারবনে।

মনিশঙ :- অওইবরা হায়রিসিবো, নুংঙাইরেদা ওন্থোক্লা ইচা পোকচবগী মহে য়াল্লে, নুংঙাইরে, মোয়পাবা কদায়নো ঐখোয় ইবেন্মগী মমিং য়াওরিবো।

তোলঙৌ :- তু তু সিদা য়াওরেসে, অহুমশুবা পোজিসনদা ইরিবসে, মাইবম চঙখোনবী, রোল নম্বর ৭২৪৫৬২।

মনিশঙ :- সহরদগী লাপ্লা লৈবা, চাওখৎপগী মমি শাল্লিবা ঐখোয়গী খুঙ্গংসিদা পোকচবী ইচানা মহে মশিংদা মীথোই-মীহেনবা ঙল্লকপসে সিমুক নুংঙাইবা অমা লৈতরে।

চঙখোনবী :- ইমা ! ঐনা ঙসি মায়পাকপা ঙমজরিবসে ইমা-পাবুংনা ঐবু মতম খুদিং থৌনা হাপ্পীবা, ঐগী খুনগী মীওইশিংনা ঐবু নুংশিবা মীৎয়েং য়েংবীবা, দাদা মৈরাবনা মতম খুদিং ঐবু কদায়দা করি শোয়খিগদগে হায়দুনা কোয়শেন শেন্নবীবা অমদি তাচৌ লময়ানবনা ঐগী লাইরিক লাইশুগী অৰাৎপা পুন্না য়েংশিনবীবা পুম্নমক অসিনা মরম ওইরগা ঐনা মায় পাকপা ঙমজরিবনি।

মৈরাবা :- অশেংবমক্কীদি নঙগী হোৎজমন্না মায় পাকপনি চঙখোনবী, ঐখোয়দি নঙবু কদায়দা শোয়খিগদগে কদোমদা লান্না চৎখিগদগে শেন্নজবতনি।

তোলঙৌ :- নোয়গী তাচৌ লময়ানবদুবু পরিক্ষা হায়দোকপগী পাওসিবু তারম্লদরা, ফোন অমুক্তা তৌরগা ৰারী শানৌদা ইবেন্মা।

চঙখোনবী :- হোয় পাবুং, (ফোন রিং তৌবা)... অস ফোনসিসু পায়দেনে তাচৌসে, অমুক্লা তৌগে....।

লময়ানবা :- (ফোন রিসিপ্ট তৌবা) হায় ইবেন্মা কৈদৌরে, করি লৈরগেনে।

চঙখোনবী :- তাচৌদা নুংঙাইবা পাও অমা তমগে তৌবনিদা।

লময়ানবা :- করি পাওনোনে, নুংঙাইবা পাও হায়রিসিবো।

চঙখোনবী :- অদুবুরো, ঐখোয়গী ইগজাম হায়দোক্লে অদুগী হায়গে তৌবনি।

লময়ানবা :- ঐসু নোয়গী ইগজাম হায়দোকপগী পাওদি খংলবনি, ইবুং থবক চীনমনবদুদা ফোন তৌরক্কে খল্লগা অদুম তাঞ্জা চাদ্রবা, নংনা তৌরকইসে য়াম ফরে, রিজল্টতি কমায় কমায় তৌরবা।

চঙখোনবী :- উম, তাচৌ ঐ থার্দ পোজিসনদা য়াওরে, তাচৌহোয় ময়াম্না হোৎনবীবদগী ঐনা মায় পাকপা ঙমজরিবনি, ঐখোয়গী খুনদি ইলেক্ট্রিসিটি য়ুমথোং খুদিং য়ৌবা ঙমদ্রিবা খুলনি, তাচৌনা ঐখোয়গী য়ুমদা সোলর প্লেট খিনবীদুনা সোলর ইনর্জি ফংহনবীবদগী ঐগী লাইরিক পাবদা চাওনা মতেং ওইনরিবনি, অদো তাচৌ নহাক য়াম থুনা ঐখোয় য়ুমদা লাকও, লাক্তবসু য়াম্না কুইরে।

লময়ানবা :- হোয় হোয় তাচৌ য়াম থুনা লাক্লবা তৌগে, তাচৌনা ঐখোয়গী ইলেক্ট্রি সিটি দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নদুনা য়ুমথোং খুদিং মৈ ফংহন্নবা থৌরাং অমসু লৌখৎকে খল্লি, তাচৌনা নীংলিবা থবক অসি পাংথোকপা ঙম্লবদি ঐখোয় খুনদা মৈ ফংদবগী অৱাবা লৈরম্বা অদু কোক্লগদবনি। অদুদি তাচৌ ফোন থল্লগেকো ...।

চঙখোনবী :- হোয় তাচৌ, ইমা... পাবুং... ঐখোয় তাচৌ য়াম থুনা লাক্কনি হায়রকএ।

মনিশঙ :- ফরেদা, নোয় তাচৌ লাকঅনি হায়রদি, হায় মৈরাবা কৈথেল মচা ফাওদা চৎলুচো, ঙা অচৌবা অমা লৈরুরো, ঐখোয় পুল্লপ চাক চামিন্নসি ঙসিদি, সে সে পৈশাসে পুখোসে।

মৈরাবা :- ইনে ঙসদি ঙাদু ঐ ওইনা হেক্তা লৈরক্লগে, পৈশাদু পীরক্লনু, ঐ চৎলেহে চঙখোনবী ঙা লৈবা।

তোলঙৌ :- হে পৈশাসি পুখোনে নঙবো...।

-ম্যুজিক-

(মতম: নুমিদাংৱাইরম, মফম: খুঙ্গং, শা-ষণ খোংবগী মখোল)

মৈরাবা :- চঙখোনবী ! নুমিদাংৱাইরমগী নুমিৎনা ময়ুম চংলমদাই, উচেক-ৱায়া, শা-ষণশিংনা মাগী মাগী লৈফম মায়কৈ তল্লকপা মতম, মালংবা নুংশিৎনা লিরি লিরি শিৎলকপা, অঙানববু অমম্বনা য়োৎশিনলগে মতাগুম তপ্না তপ্না অমম্বনা মায়কৈ শিনবা থুংনা শন্দোকখ্রিবসে উবদা পুক্লিংদা খঙহৌদনা নুংনাংনবা ফাওরকই।

চঙখোনবী :- অস ! দাদা মৈরাবা কৈনো নঙনা ঙাংলিবা ময়ামদুবো মরি মখোং অমতা শন্নদে, ঐদি নঙগী ৰাহৈশিংদু তাবদা কোক্কা লোয়না চীক্লে, খরা থুনা চৎসি লাকও, ঙহাক লৈরদি পুন্মম মমশিনখ্রনি, ইমানা ঈশিং সনাবুল অমখক শোকপা চৎখিববু শুংহন হল্লক্তে হায়দুনা ঙাংবনা লোইরল্লনি।

মৈরাবা :- ঐ কৈনোমা হংগেনে, নঙ শেংনা খুমগদরা?

চঙখোনবী :- কৈনো হংগে হায়বো, ঐনা খঙবা ওইরদি খুন্বীগেনা।

মৈরাবা :- উম, নখোয়গী তাচৌ লময়ানবা হায়রিসিবু কনানো, নোয়গা করি মরি থোক্লগে, মাদি ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টকী অচৌবা ওফিসার অমনি হায়নসু তায়।

চঙখোনবী :- দাদা মৈরাবা, ঐখোয় তাচৌ লময়ানবসে ঐখোয়গা মরী অমতা থোক্লদে, ঐখোয় পাবুংগী অঙাং ওইরিঙৈ মতমদগী য়াম্না লুনা চান্না তীন্নরকপা মরুপ অমগী মচানুপানি, তাচৌ লময়ানবগী পাবুং অদুদি য়াম্না ঙন্না লৈখিদরে হায়, ঐখোয় পাবুংনা তাচৌগী লাইরিক লাইশু তন্বদা মতেং য়াম্না পাংখি অদুনা তাচৌ লময়ানবনা ঐখোয় পাবুংবু মাবু হেক পোকপীবা মপাদৌনা খল্লি, ঐবুসু মাগী হেক পোকমীন্নজবী মচলনুপীগুম লুনা চান্না তৌবী। ঐনা ঙসি লাইরিক লাইশুদা মীকোক থোংবা ঙমজরিবসু তাচৌনা লমজীং লমতাকপীবদগীনি।

মৈরাবা :- নোয় য়ুম থোঙ্গাল য়ৌরে চংহৌরো, ঐসু য়ুমদা হনখ্রগে।

চঙখোনবী :- ঙহাক্তং চংঙুখিসি লাকও, ঐখোয় পাবুংনা ঙসাই দাদা মৈরাবা উন্নগদবা লৈ হায়হৌবনি।

লময়ানবা :- (গাড়ী থৌজিনলকপা) ইবেম্মা... চঙখোনবী ... নঙদি থোঙ্গালসিদা কৈদৌরল্লিনো, চংঙসি লাকওদনা য়ুমদা।

চঙখোনবী :- তাচৌ অসুক থেংনা লাকইদি করিগীনো, ঙসাই ঙন্তা লাকপা য়াদবরো?

লময়ানবা :- ঙসি অহিংসিমা পাবুংহোয় নোয়গা লৈমীন্নরগে খন্দুনা ওফিস কারল্লগা থেংনা অদুম হায়থরক্লবনি। আ সোমগী মরুপসিনা কনা ।

চঙখোনবী :- তাচৌ ! ঐখোয় লৈকায়গী ইবুং মৈরাবনে, শক খঙনৌও।

মৈরাবা :- ঐদি সার লময়ানবগী মরমদা হান্না চঙখোনবীদগী খঙজরে, সারনা ঐখোয়গী খুনশিদা লাকপীবসে য়াম্না নুংঙাইজরে।

লময়ানবা :- চহিসু লেঙ্গাওই করিওই তৌরমগদবা মাল্লি, মীং ওইনা হেক্তা কৌনসি, সার হায়না কৌবীগনু, ঐসু অদোম্বু মৈরাবা হায়না হেক্তা কৌজরগে, ঐসু খুনসিগী মীওইশিংগা পুল্লগা খুনসিগী চাওখৎ-থৌরাং খরদং পাংথোকচগে খন্দুনা লাকচরিবনি, মরুপ মৈরাবগা থেংনজবসি ঐসু য়াম্না নুংঙাইজরে।

চঙখোনবী :- তাচৌ, স্বাইদা থোঙ্গালসিদা অদুম ৱারী শান্নদুনা লৈরদরো, ঐদি ঈশিং সনাবুলসিগা লুপ্পনা লোইরে, লাকও চংঙসি লাকও য়ুমদা।

লময়ানবা :- লাকও মরুপ মৈরাবা য়ুম চংঙুখিসি লাকও।

চঙখোনবী :- পাবুং... ইমা... কনানোমা লাকইসে য়েংঙো লাকও...।

মনিশঙ :- (চেন্থোরকপা) হা কনা লাকএ হায়বনোনে ইবেম্মা... হায়মা ইবুংঙো লময়ানবা! ইচা লাকঅবোরে, লাকও লাকও চংঙকও চংঙকও।

তোলঙৌ :- হায় কৈনোনে নোয়না সন্ধ্যা মতমসিদা কোইলাং লাংঙিসিবো (ইমুংদগী থোরকপা) ... কনা কৈদৌরে হায়বনোনে মমা নঙবো...।

লময়ানবা :- পাবুং ঐ লাকএ, নচা খুরুমজরি, ঐসে লাক্কনিকা হায়বগী পাওগা অমতা হায়রক্তনা খংথু থুনা চৎনিংলকপদগী হেক্তা লাক্লবনি।

চঙখোনবী :- তাচৌ ঐ চা লোনলক্কে, চা অহাওবা অমা থক্লগা লমশাং লাকপগী অৱাবা পোথাবা ওইনা তাচৌদা হংগদবা ৱা য়াম্না লৈ।

মনিশঙ :- অমুক ঙাংদুনা অদুম লৈদৌ শরুক নঙগী চাদুদুম খরা থুনা লোনলকউ, ঐসু ঙসাইদগী চা থকনীং-থকনীং লৈরম্লিবনি, ইবুংঙো মৈরাবা নঙসু মোরাসিদা ফম্মুদনা কৈদৌরে অদুম লেপ্পুনা লৈরদি।

মৈরাবা :- কৈসু তৌদে ইনে, য়ানি ফমজগে অদো মরুপ লময়ানবা ঐখোয় খুনসিদা ইলেক্ট্রি ক পোষ্ট খরা থুনা য়ুংবীদুনা মৈ ফংহন্নবা হোৎনবীয়ু।

তোলঙৌ :- হোয়নে ইবুংঙো, হৌজিক ঐখোয়গী লৈবাকসিদা ইলেক্ট্রিক ফংদবা খুঙ্গং পংয়াম য়াম্নদি লৈরমগনি থাজদরে, ঐখোয়গী খুনসিসু মমাং চহিদা ইলেক্ট্রিক পোষ্ট খরা য়ুংবা হৌরম্লগা অদুম হৌজিক ফাওবা লোয়শিন্দনা লৈরিবসিনি, হন্দক্তি ইবুংঙো লময়ানবা নঙনা খরা থৱায় য়াওনা হোৎনবীদুনা ঐখোয়গী খুন অসিসু মৈ ফংহনবীনবা তৌবীয়ু।

লময়ানবা :- পাবুং হন্দক্তি শোয়দনা খুন অসি মৈ ফংলগদবনি, ইলেক্ট্রি ক পোষ্ট য়ুংবা হৌরম্লগা লোয়শিন্দনা থল্লমলিবশিং অসিসু লোয়শিনলগদবনি অদুদসু নৎতনা নেসনেল সোলর মিসনগী মখাদা য়ুমথোং খুদিংদা সোলর ইনর্জিগী মতেংনা মৈ ফংহন্নবগী থৌরাংসু লৈরবনি পাবুং।

মনিশঙ :- ইস ! নুংঙাইরেদা ইবুংঙো ঐখোয় খুনগী য়ুমথোং খুদিংমক মৈ ফংহনলনি হায়বা।

চঙখোনবী :- চা লৈরে তাচৌ, ইমা-পাবুং সে চা, দাদা মৈরাবা সে চা থকও। তাচৌ হৌজিক মালেমসিদা লৈরিবা মীওই কয়ামুক্না ইলেক্ট্রি সিটি ফংনদ্রিবগে।

লময়ানবা :- হৌখিবা চহি খরসিদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা ইলেক্ট্রিসিটি ফংবগী চাং অসি ৱাংখৎলক্লি, ইং ১৯৯০ অদুৱাইদা মালেমসিগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৭১ রোমনা ইলেক্ট্রিসিটি ফংনরম্মী অদুবু ইং ২০১৬ অদুৱাইদদি অপুনবা মীশিংগী চাদা ৮৭ রোমগী চাং য়ৌনা ইলেক্ট্রিক ফংনরে অদুনা ইলেক্ট্রিক সপ্লাই ফংদবা মীওই অসি চাওরাক্না মিলিয়ন ৯৪০ রোমতমক ঙাইরে । ইং ২০৩০ ফাওবদা মীওই খুদিংমক মৈ ফংহনবা হায়বা পান্দম অসি থল্লিবনি। ইন্টরনেসনেল ইনর্জি এজেন্সি (আই.ই.এ.) গী মীৎয়েং মখাদা খুঙ্গংগী লম অমদি সহরগী লমশিংদা লৈবা মীওই খুদিংমক দরকার লৈবা ইলেক্ট্রিককী মৈ ফংহনবা ঙম্নবা থৌরাং কয়া অমসু পায়খৎলিবনি।

মৈরাবা :- মরুপ ! ইন্টরনেসনেল ইনর্জি এজেন্সি (আই.ই.এ.)হায়রিবসিগী মরমদা খরদং মমুৎ তানা অমুক্তা হায়বীয়ু, এজেন্সি অসিনা লৌখৎলিবা খোংথাংশিং অদুগী মরমদসু খরদং খংনিংঙি।

লময়ানবা :- ইন্টরনেসনেল ইনর্জি এজেন্সি হায়রিবা অসি ওটোনোমস ইন্টরগোভর্নমেন্টেল ওর্গানাইজেসন অমনি, ওর্গানাইজেসন ফোর ইকোনোমিক কো-ওপরেসন এন্দ দিভলপমেন্ট (ও.ই.সি.দি.) গী ফ্রেম ৱার্ককী মনুংচন্না ইং ১৯৭৪দা লিংখৎখিবনি। হায়রিবা এজেন্সি অসিনা মালেমগী লৈবাকশিংগা খুৎশম্নদুনা মীপুম খুদিংদা অফবা মখলগী ইনর্জি ফংহন্নবা, ইনর্জি অরেম্বদা মাংহন্দনবা অমদি তুংগী মীরোলশিংদা ইনর্জি মতিক চানা ফংহনবা ঙম্নবা থবক কয়া পায়খৎলি।

তোলঙৌ :- ইবুংঙো ঐখোয়গী লৈবাক ভারতকী খুঙ্গংগী মফম অয়াম্বদা হৌজিক হৌজিকসিবু ইলেক্ট্রিক ফংহন্নবগী করম্বা থবক থৌরাংশিং লৌখৎলিবগে, ঐখোয়গী খুঙ্গংগুম মৈ মতিক চানা ফংদ্রিবা খুঙ্গংনা কয়া য়াম্না লৈরিবগে।

লময়ানবা :- পাবুং ! ভারতকী অপুনবা খুঙ্গংগী লম ৬,৪০,৯৩২গী মনুংদা মী কুংনা তাবা মফম ৫,৯৭,৬০৮ লোমদা গোভর্নমেন্টনদি মৈ ফংহনখরে হায়না হায়রি অদুবু খুঙ্গংশিংদা লৈবা য়ুম মিলিয়ন ২৩রোমদি ইলেক্ট্রিকসিটিগী খুদোংচাবা ফংদ্রি হায়নসু পানরি।

চঙখোনবী :- তাচৌ ! ইলেক্ট্রিসিটি অসিবু রিনিউএবল ইনর্জিরা নত্রগা নন-রিনিউএবল ইনর্জি ওইগদৌরিবরা, অমুক্তা ফজনা এক্সপ্লেন তৌবীয়ু ঐঙোন্দা চম্মনবা অমা লৈরে।

লময়ানবা :- করিগী চম্মনগদৌরিবনো, তাচৌ হায়গেকো ইলেক্ট্রিসিটি অসি রিনিউএবল রিসোর্সশিং হায়বদি নুংশিৎ, নুংশাগী মঙাল, ঈশিংগী ঈচেলনচিংবদগী জেনরেট তৌদুনা ইলেক্ট্রিক ইনর্জি লৌরগনা রিনিউএবল ইনর্জিনি হায়গনি অদুগা অমুক ফোশিল ফ্যুএলশিং থাও কয়লানচিংবদগী লৌবা ইলেক্ট্রিসিটি অদুদি নন-রিনিউএবল ইনর্জিনি।

মৈরাবা :- ঐখোয়গী খুঙ্গংগী য়ুমথোং অয়াম্বদা কেরোশিন থাও শিজিন্নদুনা মৈ থানবা অমদি চাক থোংবনচিংবা তৌরিবসিদি হকচাং শোকহনবতা নৎতনা অকোয়বগী ফীভমদসু চাওনা অকায়বা থোকহনলিবনি, অদুবু ঐখোয়না অমাংবশিং অসি খঙলবসু অদুমক উপায় লৈতবনিনা শিজিন্নরিবনি, ঐখোয়গী খুন অসিদসু করম্বা মতমদা অফবা মখলগী, অকোয়বগী ফীভম অমদি হকচাং শোক্লিংঙাই ওইদবা ফ্যুএল য়ুমথোং খুদিংদা শিজিন্নবা ঙম্লক্কদবনো খঙদরেদা মরুপ, চাওখৎপগী মমি য়াম্না শাম্মিদা ঐখোয়গী খুনসে।

মনিশঙ :- হৌজিক্তি ইচা লময়ানবসু লাক্লে, খুনসিগী লাইরিক লাইশুগী মঙাল খরা ফংলবা নহা ময়ামগা পুন্না হোৎনমীন্নদুনা ঐখোয়গী খুন অসে অৰাৎ-অপা লৈতবা নুংঙাই য়াইফবা খুন অমা ওইহন্দবা য়াদবনি।

তোলঙৌ :- অচুম্বনি নঙনা হায়রিবদু মনিশঙ, ঐখোয় ময়াম পুন্না অমতা ওইবা ৰাখল্লোন অমগা লোয়ননা হোৎনরবদি ঐখোয়গী খুন অসে শোয়দনা মীয়াম্না শকখঙনরবা খুন অমা ওইবা ঙমগদৌরিবনি।

চঙখোনবী :- তাচৌ ! ঐসু লাইরিক মখা মথং-মথং তমথদুনা রিছার্চকা তৌদুনা ফীদমনিংঙাই ওইবী নুপী অমা ওইবা ঙম্নবা হোৎনগেকো।

লময়ানবা :- উম হোৎনগদবনি, তাচৌনসু নঙগীদমক হেক ঙল্লিবমখৈ নঙনা নীংলিবশিংদু পাংথোকপা ঙম্নবা নতেং পাংগনি।

মনিশঙ :- ৰারীদো হোরেল কোন্না অমুক শারসি, নবুংদু ঙহাক পোথাজরসনু লমশাং লাকপগী ৰারম্লগনি।

মৈরাবা :- অদুদি ঐসু অমুক চৎলগে ইনে, মাম্মা চৎলগেকো কোন্না অমুক লাক্লগে।

লময়ানবা :- মরুপ হয়েং অমুক উন্নরসি, মরুপহোয় অমদি খুনসিগী নহাশিংগা পুন্না খন্নগদবা, তান্নগদবা ৰা য়াম্না লৈ।

-ম্যুজিক-

(মতম: অয়ুক অঙনবা, মফম: তোলঙৌগী য়ুম, উচেক-ৰায়াগী খোঞ্জেল)

মনিশঙ :- ইস ! পুংসিদি আ য়ৌখ্রেদনা তৌরিসিদি, মোয়পাবুংগী অয়ুক্কী চা থকপা মতম য়ৌশিনলক্লে ঐদি চাদি লোন্দ্রি কমায় তৌনি তৌরিসিদি...।

তোলঙৌ :- মনিশঙ নঙবু চা লোয়দ্রিবরো, চাদু পুথোরক্লোনে, লময়ানবা ইপা-ইচা ৰারী শানা শানা চাদু থক্লগেদনা, হায় নঙবু তারবো।

মনিশঙ :- হায়না হায়না চা পুথোরক্লো হায়রকএনে তৌরিসি, চাদি লোনখৎকে তৌবদা ঙাইরি কমায় তৌনি তৌরিসিদি (মতোমতা শোনবা)।

তোলঙৌ :- (কন্না ঙাংবা) হায় নঙোন্দনিনে ঐনা হায়রিসে নঙবু তাদ্রবরো?

মনিশঙ :- হো পুরকঅগে পুরকঅগে, ঐ সোমদা খুৎ থাদোকপা য়াদবা থবক অমা তৌশিনলুরে, ঙহাক্তং ঙাইবিরম্মো, ঐ পুজরল্লুগে চাসে... ইস ! তাঞ্জাসিদা গ্যাসসি লোয়রমাল্লে তৌরিসে, ওন্থোক্লসু তান চাখিদ্রবা হায়দুনিদকো, কমায় তৌনি তৌরিসিদি ঐদি, ইবেম্মা... ইবেম্মা... চঙখোনবী... নংবু কদোমদা লৈগেনে।

চঙখোনবী :- কৈদৌরগে ইমা, ঐ সোমগী মী ফম্ফম কাসে ৱায় তৈরিয়ে।

মনিশঙ :- নঙগী ৱায় তৈবকাদু অমুক্তা কোন্না তৈয়ু, আ য়েনখাদগী শীংদু খরা অমুক্তা পুরকউ, ফুঙ্গা মৈ হৌগৎতবা য়াদরে।

চঙখোনবী :- কৈনো ইমা তাচৌসু লৈ, কমায়না ফুঙ্গা মৈ হৌগৎতোয়নো, শীং মৈ থাদুনা চাক থোংবা, ঈশিং লুম্বা, চা লোনবনচিংবা মতমদা কার্বোন মোনোওক্সাইদ, কার্বোনদাইওক্সাইদ, সলফরওক্সাইদ, নাইত্রোজেন ওক্সাইদনচিংবশিং থাদোরক্তুনা অকোয়বগী নুংশিৎ শেংহনদবতা নৎতনা হকচাংদসু অমাংবা ওইহনলি অমদি নুংশিৎতা য়াওবা গ্রিন হাউস গ্যাসশিংগী চাং ৱাংখৎহন্দুনা গ্লোবেল ৱার্মিং থোকহনলকপদা মতেং পাংঙি হায়দুনা তাচৌনা এল.পি.জি. গ্যাস কন্নেক্সন তৌবীদুনা গ্যাস সিলিন্দর, গ্যাস ষ্টোব লোয়না থন্বীরিবসিমক্তদা শীং মৈ হৌগৎকে হায়রিসিবু কৈদৌরগে হায়বনি ইমা।

মনিশঙ :- ঐননে শীং পুরকউ হায়রিবদু হান্না অমুক্তা পুরকউ, হৌজিক নঙগা অমুক ৱাঙাংনদুনা লৈবা মতম নৎতে, পুদা পুরকউ হায়বনে নঙবো শীংদো।

তোলঙৌ :- হায় কৈদৌরগেনে মনিশঙ নঙবো হৌজিক ফাওবা চা পুথোরক্ত্রি সিবো?

মনিশঙ :- ফরৈনিসে নপাসিনা চা পুথোরক্তরে পুথোরক্তরে হায়দুনা উরাও থরাও লৈরিসে, গ্যাসতুসু তাঞ্জাসিদা হেক লোইথোকখি, মচানুপীনি হায়দুনা তৌরিসিনা ৱা অমতং হায়রুবদা শৎ তৌবীরকপগী ৱা লৈতে তুকা থীদুনা হেক লৈ, নোয় নরকসিদা লৈবসে ঐ য়াম তনলকতোরি (শাওবা)।

লময়ানবা :- (গ্যাস সিলিন্দর থাংজিনলকপগী মখোল) কৈদৌরগে ইমা অদুক শাওরিদুবো, সে ঐনা ইমাগী চাক থোংননবা গ্যাস লোয়রকতৌরল্লগনি খন্দুনা গ্যাস সিলিন্দর অথনবা অনি পুরল্লুবনি, ঐগী গাড়ী মনিংদা ঙরাং অদুম য়াওদুনা লৈরবা হৌজিক্তা নীংশিংলক্তুনা পুশিনলল্লিনি।

চঙখোনবী :- তাচৌ ! তাচৌনা গ্যাস পুবিরকপসে তান য়াম চারে, ঐখোয় ইমাসে গ্যাস লোইথোকখিবগী ইশৌ লাংলম্লিনি।

লময়ানবা :- ঐনা তাঞ্জা চানা গ্যাস পুরল্লুবনি, ইমা ৱাহনবা য়াদে, ইমা শাওহনবা য়াদে হায়দুনা, সে ইমা ঐ গ্যাস সিলিন্দর অথনবসে পানশিনলগে।

মনিশঙ :- হোয় হোয় ইমা চাসে থুনা লোনলগা পুথোরক্লগে, নপাদো ঙহাক্তং ৰারী শাদুনা শাওদনবা তৌবীরম্মু।

লময়ানবা :- হোয় ইমা, অদো চঙখোনবী তাচৌনা পুরকপা ব্রেদতু বট্টর তৈরগা ফজনা পুথোরকউ চাসি।

চঙখোনবী :- হোয় তাচৌ, ঐ থুনা শেল্লগা পুথোরক্লগে।

তোলঙৌ :- (মপান্দগী লাওরকপা) নোয় চাদু ঐ থকচররোয় নোয় অদুম থকচহৌরো ঐ চৎলগে, লৈরেনতোম্বীগী হোটেলদা ওইনা থকচরুরগে...।

লময়ানবা :- পাবুং...পাবুং ... চৎপীখিনো ঙায়খোও, চা পুথোরক্লে, পাবুং থকত্রবদি ঐসু থক্লরোই চাগা অমতা, ঐসু অদুম সিদগী ওফিস লোমদা চৎখ্রগে।

তোলঙৌ :- ঙায়খো ঙায়খো নঙ চৎখিবগা য়াদেকো, নঙগা শান্নগদবা ৰারী য়াম্না লৈরি। মৈরাবা নৎতরনে কোন্থোংলোমদা চংলক্লিবসিবো...। মানিদা... মৈরাবা লাকও লাকও চংঙওক চংঙকও, নঙ লাকপা তান য়াম চারে, ৰা খরা খন্নসি লাকও।

মৈরাবা :- হোয় মাম্মা, ঐসু মরুপ লময়ানবা উন্ননিংদুনা লাকচরিবনি।

মনিশঙ :- (হোবে হোবে) মোয় পাবুং চা লৈজরে, গ্যাস হেক লোয়থোকখিবা তাঞ্জা থোকলুদুনা চা মতম চানা পীথকপা ঙমজহৌদরে, শাওবীরনু মোয় পাবুং, অঙাংশা নোয়গী চাসু লৈরেসে।

তোলঙৌ :- নঙদি ঙসাইনা গ্যাস লোয়থোকখরে হায়রকপদি কৈদৌই, নচানুপা লময়ানবনা গ্যাস পুরক্লমদ্রদি অদুম লৈরেনতোম্বীগীদা চা থকপা চৎলে ঐ...।

মনিশঙ :- (শাওবা) হুম চৎতা চৎলু, লৈরেনতোম্বীগী হোটেলগী চা মৈশুৎ মনম নম্বদুনা কয়াম হেন্না হাওরদনা, সিদগীদি লৈরেনতোম্বীগী চা হেক থকপদা অমুক হন্না য়ুমগী চা থকপা য়ারোই, খঙনিদনা...।

চঙখোনবী :- অস ঐখোয় ইমাগা পাবুংগসিদি অঙাং মচা গ্যান তাদ্রিবগা চপ হেক মান্নে, বট্টর ফজনা তৈরবা ব্রেদসিদুম চাশিসে, অদুগা ঐখোয়দা কান্নগদবা পুক্লিং লৌশং ওইহৌগদবা ৰারী ওইনা শান্নসি।

মৈরাবা :- ঐখোয়গী খুন অসিদা হৌজিক য়ুমথোং অয়াম্বদা কেরোশিন, শীং, ষন্থি অকংবনচিংবা চাক-ঈশিং থোংবা মতমদা শিজিন্নরিবা অসি লিক্যুইফাইদ পেট্রোলিয়ম গ্যাস (এল.পি.জি.) না মহুৎ পুরা শিনবা ঙম্লবদি ইয়র পোল্লুসন থোকহল্লিবা অসিদগী খরমখৈদি ঙাকথোকপা ঙমগনি খল্লি অদো মরুপ হৌজিক ঐখোয়গী লৈবাক ভারত্তা এল.পি.জি. শিজিন্নবগী চাং অসিবু কয়া য়াম্না ৰাংলবগে।

লময়ানবা :- মরুপ হৌজিক ভারতকী মীওই অয়াম্বনা শীং, কেরোশিন, কয়লানচিংবা মৈ থাবা মতমদা হকচাংদা অমদি অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা কয়া থোকহল্লকই হায়বসি খঙনরকপদগী এল.পি.জি. শিজিন্নবগী চাং অসি অসুম অসুম ৰাংখৎলক্লি অমদি ভারত সরকারনসু য়ুমথোং খুদিংদা এল.পি.জি. ফংহন্নবা থবক কয়া পায়খৎলে, এল.পি.জি. গ্যাস শিজিন্নবগী চাং অসি অপুনবা য়ুমকোক্কী চাদা ৮৯ রোম য়ৌরে হায়না হায়রি।

তোলঙৌ :- ইবুংঙো হন্দক্তি ঐখোয় ময়াম পুন্না হোৎনমীন্নদুনা ঐখোয়গী খুল অসে মোডেল ভিল্লেজ অমা ওইহনবা ঙম্নবা হোৎনদবা য়াদবনিকো। নেসনেল সোলর মিসনগী মখাদা ঐখোয়গী খুল অসিদসু সোলর ইনর্জিগী মতেংনা য়ুমথোং খুদিং মৈ ফংহন্নবগী প্রোগ্রামসু পায়খৎলগদবনি।

মনিশঙ :- নেসনেল সোলর মিসন হায়রিবসিসু করিনো ইবুংঙো, মসিগী কান্নবসিনা করি করিনো?

লময়ানবা :- নেসনেল সোলর মিসন অসি ভারত সরকারনা ষ্টেট গোভর্নমেন্টশিংগা খুৎশম্নদুনা পাংথোকপা নেসনেল এক্সন প্লান ওন ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী পোলিসিশিংগী মনুংদা অমনি। হায়রিবা মিসন অসি মিনিষ্ট্রি ওফ নিউ এন্দ রিনিউএবল ইনর্জিগী মখাদা ইং ২০১০গী জানুৱারী তাং ১১দা হৌদোকখি অমদি মিসন অসিগী পান্দমদি ইং ২০২২ ফাওবদা সোলর পৱর গিগাৱাট ১০০ পুথোকপা হায়বসিনি।

চঙখোনবী :- তাচৌ গিগাৱাট অমগা ৱাট ক্রোর ১০০গা মান্নেকো।

লময়ানবা :- উম মান্নে, অদো পাবুং ঐ হৌজিকমক ইলেক্ট্রিসিটি হেড ওফিসতা চৎতুনা ইলেক্ট্রিক পোল, ৱায়র, দরকার লৈবা পোৎলম পুম্নমক থারক্লবা তৌরুরগে, পাবুংহোয়, মরুপহোয়না পোৎলমশিংদু মফম চানা চানা থম্নবা শিনবীরল্লো।

মৈরাবা :- য়ুমথোং খুদিং সোলর ইনর্জি ফংহন্নবগী থবক্তুনা কমদৌবা।

লময়ানবা :- মদুগী থবকতুসু য়াম থুনা পায়খৎলগদবনি, মণিপুর রিনিউএবল ইনর্জি দিভলপমেন্ট এজেন্সি (মনিরেদা) গা খুৎশম্নদুনা পায়খৎকদবনি। অদুদি পাবুং ঐ অমুক্তা চৎলুখিগে।

-ম্যুজিক-

(মতম: নুমিদাং, মফম: তোলঙৌগী য়ুমগী মনাক্তা লৈবা পুখ্রি মপাল, লাপ্পা হরাওবা-নুংঙাইবগী ম্যুজিক্কী মখোল তাবা)

মৈরাবা :- ঙসিদি ঐখোয়গী খুন অসে য়েংঙু য়েংঙুবা মায়কৈ খুদিংমক্তা পুমঙান ঙাল্লে, অমম্বা হায়বদু অমতা উদরে, চাওখৎপগী মমী শাম্না সহরদগী য়াম্না লাপ্পা কনানসু খঙবী উবীদনা লৈরম্লবা খুন অসে নখোয় তাচৌ লময়ানবনা হোৎনবীবদগী মশক মচু থোকচরে, খুন অসিগী খুনমীশিংসু হীংবগী মরেক মহাও থোকচরে, কয়াদা নুংঙাইরবা।

চঙখোনবী :- চুম্মী পুন্নমকসে ঐখোয় তাচৌ লময়ানবগী চাওরবা থৌদাং য়াওরিবনি, মহাক্না খুনসিবু নুংশিবীবা অমদি খুনসিগীদমক থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনবীবদগী ঐখোয়না মৈ ফংবা ঙমজরিবনি অদুবু খুনসিগী মীওই খুদিংমক্কীসু চাওরবা থৌদাং য়াওরি, খুনসিগী খুনমী খুদিংমক্না চপ মান্ননা লীংজেল মান্নদুনা খুল অসি চাওখৎতবা য়াদে হায়দুনা হোৎনবদগীসু মায় পাক্লিবনি। অদো দাদা মৈরাবা ঐনা তৌনিংবা থবক খরদংদি লৈরি খুনসিগীদমক।

মৈরাবা :- করি থবকনো নঙনা খুনসিগীদমক তৌনিংলিবো?

চঙখোনবী :- ঐখোয় খুনগী উমং ৱামংশিং অসিগী মহৌশাগী ফীভম কায়হন্দনা থম্বা, উ-ৱা য়াম্না হৌহনবা, ওর্গানিক ফার্মিং লৌবুক খুদিংদা তৌদুনা অফবা মখলগী মহে-মরোং মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্নবা হোৎনবা, ইথৈ লৌখোং মতিক চানা শেমগৎপা, মীপুম খুদিং ইডুকেসনগী মঙাল ফংহনবা, মালেমসিদা লৈরিবা মফম খুদিংমক্না ঐখোয় খুনগী মতৌ তম্নহনবা, অস ! ঐনা খনলিবসিদি লোয়বা নায়ররোয়দা।

মনিশঙ :- হায়মা চঙখোনবী... মৈরাবা নবানিদি পুখ্রি মপান্দুদা লেপ্পুনা লৈরিদুদি করি তৌরিবা।

মৈরাবা :- কৈসু তৌদে ইনে ঐখোয় খুনগী মৈঙালসে য়েংলম্লিবনি।

তোলঙৌ :- মৈরাবা ! ঐখোয় খুনসে পুমঙান ঙাল্লে পুমলং লংলেহে য়েংবা নুংঙাইরে...।

লমযানবা :- চঙখোনবী ! নঙবু হয়েং নঙনা পুগদবা নফি নরোল, লাইরিক লাইশু য়োমশিনবা লোইরবরো?

চঙখোনবী :- লোয়রে তাচৌ, হয়েং অয়ুক ঙন্না চৎপা য়ারনি।

মৈরাবা :- চঙখোনবীবু হয়েং কদায়দা চৎকদোয়নো?

চঙখোনবী :- দাদা মৈরাবা, ঐ মতম খরা দিল্লিদা লৈদুনা দিল্লি য়ুনিভর্সিটিদা এম.এ.সি. তম্লুগে অদুগা মথং-মথং রিছার্চ ৱার্ক তৌদুনা ৱুইমেন সাইন্টিষ্ট অমা ওইবা ঙম্নবা হোৎনগে।

মৈরাবা :- (মথৱায় নুংঙাইতনা) ওহ ! য়াম্না ফৈ, ঐঙোন্দদি হান্না পাও তাক্তে, ফরে ঐ চৎলগে।

-ম্যুজিক-